


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 24, 2018 PAGE 7



*ষ্টেটকী মকোক অমা ওইনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চত্নুনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট মেটচ য়েংবা অহানবা ওইখ্রবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ*

*জর্মনিগী কোটবসতা পাঙথোক্লিবা আর্টিষ্টিক জিমাষ্টিক্স ৱার্ল্ড কপগী ভোল্ট ইভেন্টকী ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী জিমনাষ্ট দিপা করমাকর*

## ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহল ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল চঙখ্রে, সিমরনজিৎ কোর ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩ঃ*

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহল ফাইনেল য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা বোক্সর সিমরনজিৎ কোর সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে।

এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহলনা এসিয়ান গেমসকী সিলভর মেডালিষ্ট নোর্থ কোরিয়াগী সোন হৱা জোবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহলনা হয়েং ফাইনেল বাওটতা নেদরলেন্দসকী জেমীমা বেট্রিয়ানবু পোইন্ট ৫–০ দা থোইরম্বী জর্মনিগী ওর্নেলিয়া ৱাহনরগা থিন্নরগনি।



*কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া*

নীংশিংবা য়াবদি ঙরাং থিন্নখিবা কেজি ৪৮গী সেমি ফাইনেল বাওটতা মেরি কোম মায় পাক্নুনা মহাক্কী ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটলগীদমক শেম শাখ্রবনি।

সোনিয়া চাহল অমসুং মেরি কোম ফাইনেল য়ৌখিবা অসিনা কুমজা ২০০৬কী মতুং দা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনীনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা ওইরি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৬৪গী সেমি ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিমরনজিৎ কোর চাইনাগী বোক্সর দান দৌগী মখূত্তা পোইন্ট ১–৪ দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী সিমরনজিৎপু সেমি ফাইনেলদা থোইরম্বী চাইনাগী দান দৌনা ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী মারিয়া বোভাগা থিন্নরগনি। বোভানা মহাক্কী সেমি ফাইনেল বাওটতা টর্কিগী সিমা কালিস্কানবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৫১ গী ফাইনেল বাওটতা কজাখষ্টানগী ঝাইনা সেরকেরবেকোভা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর চোল মি পাংগা থিন্নরগনি।

কেজি ৭৫গী ফাইনেল বাওটতা নেদরলেন্দসকী নৌচিকা ফোন্টিন অমসুং চাইনাগী লি কিয়ান থিন্নরগা কেজি ৮১ মথক্কী ফাইনেল বাওটতনা চাইনাগী জি য়াওলি য়াং অমসুং টর্কিগী সেন্নর দেমির থিন্নরগনি।

## “সিসি মিট অমসুং ষ্টেট লীগ পাঙথোক্তবসি অম্ফা অমসুং ফোরম্না দায়ত্ব লৌফম থোকই”

### এল. কালা, উরিপোক

ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল লোইখিবগী ফোং–ফোং শারিবা মতম আই লীগকী, আইএসএলগী, নুপীগী ওলিম্পিক ক্কালিফায়িংগী সঙাই ফুটবোল, ভেটারান ফুটবোল, সবেন এ–সাইদ ফুটবোল, ফুটবোলগী শান্নবগী নুংঙাইরবা মতম অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) অমসুং ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ পারটিসিপেটিং টিমশিং খরনা শেম্বা ফোরম অনীনা মণিপুরগী চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা সিসি মিট অমদি মণিপুর ষ্টেট লীগ মুথৎলগে হায়না হোৎনরিবসি করিগীনো? অনীমক ফুটবোল চাওখৎনবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা হোৎনদুনা লেপ্লিবা অকনবা ঙাক্তনি হায়বসিমদি তাই থেংনৈ অমনা অমনা শেংদোক্লবগী ৱারোল কয়ামদি লোকেল টিভি চেন্নেলদা, লোকেল দেল্লি নুউজ পেপরদা। অনীগী মুক্লবা মতম শাংমল্লে, মায়কৈ কয়াদগী ফুটবোল পামজবশিংনা মুক্লবা লোইশিনবীরো ফুটবোল শান্নবা য়েংলসি হায়বা অপিল কয়া তৌনরকখ্রে। ফুটবোলগীদমক লেপ্লিবা অনীনা ফেয়র প্লে হায়বদি শোয়দনা খঙলমগনি, অদুবু তৌথোরক্লিবা অসিদি য়াম্না তাইয়োন্নরী, ফুটবোলগী ওথোরিটি ওইরিবা বোদী অমগা বোদীদুবু ঙাক্লৌ পীরিবা এসোসিয়েসনশিংগা মুক্নবসিদা ‘মাঙজরিবসি ফুটবোল শান্নবগী মচৎতনি, ফুটবোল শান্নরোইশিং দনি’ হায়বা ৱাফমসি। অম্ফাবু মপুং ফাবা বোদী অমা ওইনবদা মতেং পাঙলিবা এসোসিয়েসনশিংনা অম্ফাগী পাঙথোকপা থবক থৌরম খরদা পেন্দবা লাক্লে হায়না শেমদোকপা য়াবা খরা শেমদোকপীনবা এসোসিয়েসনশিংনা পুনশিনলগা হায়রকপা ৱাফম য়াদবা নৎতে অদুগা অম্ফানসু অঙম্বা মখৈ শেমদোকপা হোৎনবসু অদুমক য়াবা ৱাফমনি।

অপুনবনা শক্তিঃ হায়বা ফোরমগী ৱাফম অচুম্বা কয়া অমা ওইরম্লবসু হৌজিক্তি ফোরম পার্টি অমসুং অম্ফা ইকজিক্যুটিভ কাউন্সিলদগী রিজাইন তৌরবা মেম্বরশিংগা পুনশিল্লগা হৌজিক লৈরিবা অম্ফা বোদীগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া অমা ফোঙদোকপা থেংনরক্লিবা অসিদি ফোরম্না মতম অমদা অচুম্বা ৱাফম খরা থাঙ্গৎলকখিবা পুথোরকখিবা অদু অম্ফাদা শক্তিঃ পায়নবা শক্তি মুন্নবা অশানবা মীৎয়েং ওইখিবজাৎলা হায়বা ৱাফম অমা থোরক্লি। তোঙান–তোঙানবা থবক অমগী তোঙান–তোঙানবা ৱাখল্লোন্দা ময়েক শেংনা শেংনা খোঙ থাংজিনবা অফবা মচৎ চঙশিনগদবনি, শক্তিঃ পাম্বা শক্তিঃ মুন্নবগী ৱাফম ওইরগনা শক্তি মুন্নবগী লম্বীদা চৎকদবনি। পূম্নমক্না হোৎনরিবসি অফবগীদমক্তনি, ফুটবোল চাওখৎনবগীদমক্তনি শোয়বা লানবা য়াওবা হায়বসিদি সংসারগী মচৎনি, অশোয়বা অরানবা খঙদ্রিঙৈদদি খঙদবনি অদুবু খঙলবদি চুমথোকপা হায়বসি অফবা অমগী মচৎনি। ১২শুবা ষ্টেট লীগতা পেন্দবা কয়া থোরকপদগী শেমখিবা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগীদমক শান্নরোইশিংগীদমক খল্লগা হোৎনখিবা ফোরম, কুইরে ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবা, অদুনা পেন্দবা পূম্নমক্কী য়াইফনবা ফুটবোলগীদমক অশেংবা লেপ্লিবনিনা ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ পাঙথোক্লবা হোৎনবিবা মতেং পাঙবনা ফগনি ফুটবোল মশান্না নুংশিবগী মচৎ ওইগনি। অদুগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্নসু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙলে মদুদি ফুটবোলগীদমক হোৎনবদা চৈঙাক পীরিবা শান্নরোই পুথোক্লিবা ক্লব, এসোসিয়েসন অসিনা মতেং পীরক্ত্রবদি ঙম্মী হায়দুনসু ওথোরিটিনি হায়দুনবু করিসু মশক থোকপা তৌবা য়াদে হায়বসি। হৌজিক্তি খঙলবনিনা ঙমই হায়দুনা হাথু হাথুবা ৱারেপ মতিক মপা চাদবা দন্দিনচিংবা হিরম খূদিংদা অম্ফাদা তেংবাং লিবশিংবু কাউথোক্তুনা অঙম তান্নবা মানবা মুক্লবা মানবা মতুং দা অমুক হন্না তৌদনা পূম্নমক্কী মতেংগা লোয়ননা সিসি মিট অমসুং ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ পাঙথোক্লবা হোৎনবনা অচুম্বা লম্বী ওইগনি। নৎত্রবদি মণিপুরদা সিসি মিট পাঙথোক্তবা অমসুং মপুং ফাবা মণিপুর ষ্টেট লীগ পাঙথোক্তবগী দায়ত্ব অম্ফা অমসুং ফোরমদা তারক্লোইদবগী মরম লৈতে। ফুটবোলগীদমক অঙম্বা খরা কৎথোকপা ঙমসি, ফুটবোলগীদমক হিংসি ফজরবা ফুটবোল মশান্না য়েংসি।

## দিএসএ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৮ এসআরদিসি ককচিংনা ৱিন্নর ওইখ্রে



*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা দিএসএ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লীগ মেটচ শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা এসআরদিসি ককচিংনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৱিন্নর অমদি এআইএফএ ইরেংবননা পোইন্ট ৭ ফংদুনা অনীশুবা তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এসআরদিসি ককচিংনা কেৱাইদব্লিয়ুএসি ৱাবগাইবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এসআরদিসি ককচিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ মালরেংনা মিনট ২৪ অমদি ৪৫ মিনটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ সাইলিননা মিনট ৪১ দা গোল অমা চনখি। মায়থিরবা কেৱাইদব্লিয়ুএসি ৱাবগাইগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৫ অমরজিৎনা মিনট ৬ তা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা এআইএফএ ইরেংবননা জেএ ককচিংবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এআইএফএগী ইরেংবনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ নাওবনা মিনট ১৪ অমসুং ৫৪ দা গোল অনী, অদুগা জর্সি নম্বর ২ দিঙ্কুনা মিনট ২১ দা গোল অমা চনখি। মায়থিরবা জেএ ককচিংগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ টিঐচ ওলিভরনা মিনট ৬২ দা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা জেএ ককচিংগী জর্সি নম্বর ২৩ ৱাই সনাতোম্বদা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## ফাইনেলদা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া শান্নরগনি

*এন্টিগুৱা, নবেম্বর ২৩ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া শান্নরগনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা চাওবা মায় পাক্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস তৌরকপদা ২০শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২৩ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্লবগী রন ১১৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ১৮শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ১১৬ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ইন্দিয়াবু য়াম্না লায়না ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু লৈবাক ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৭১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌদুনা ইংলেন্দগা টাইটলগীদমক শান্নরগনি।

## আইটিএফ সেনিয়র গ্রেট ফোর টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ*

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পুন্না শান্নরোই ৮০ না শরুক য়াদুনা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৯ দগী চথরকখিবা আইটিএফ সেনিয়র গ্রেট ফোর টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে।





ঙসি শান্নখিবা চহী ৩৫ মথক্কী মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা সিথু কানন্দনা দিলিপ মোহন্টিবু সেট ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

চহী কাঙলুপ অসিগী মেন্স দবলসতা দিলিপ মোহন্টি অমদি বালকৃষ্ণ ভটিয়াগা পেয়রনা কানন্দ সিথু অমদি ৱাথিস সিদারবু মায়থিবা পীদুনা দবলসকী টাইটল ফংখি।

চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টুলেশ্বরনা কুলৱান্ট সিংহবু সেট ৬–০, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে। চহী কাঙলুপ অসিগী দবলসকী ফাইনেলদা টুলেশ্বর থোংবম অমদি করন কুলৱান সিংহগী পেয়রনা আরুন অগরৱাল অমদি বালকৃষ্ণ ভাটিয়াবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

চহী ৫৫ গী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সরাদ টাকনা রাজন বেরিবু মায়থিবা পীদুনা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি। চহী কাঙলুপ অসিগী দবলসকী ফাইনেলদা রাজন বেরি অমদি সরাদ টাককী পেয়রনা দিলিপ নোংমাইথেম অমদি সুরেস হুথাটিবু মায়থিবা পীদুনা দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মাটাগী প্রসিদেন্ট টি পামৈ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবগা লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবশিং দা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

## সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*লক্ষনৌ, নবেম্বর ২৩ঃ*

উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদা লৈবা বাবু বানারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রিতুপর্না দাসপু ২১–১৯, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী আর হারটাৱানগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ৩শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী ঝৌ জেট ক্যুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী দ্বি ৱারদোয়োগা শান্নরগনি। নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌখি।

## ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ কেঐচএসসি খোংমননা মেনগী থার্দ পোজিসন ফংখ্রে



*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ঃ*

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেনগী থার্দ পোজিসনগী মেটচতা কেঐচএসসি খোংমননা এসইৱাইও শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইবু গোল ৭–০ দা থোইদুনা ফংখি।

মায় পাক্লবা কেঐচএসসি খোংমনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ দেবেশ্বরনা মিনট ২ অমসুং ৪ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১১ চিংখৈনা মিনট ৫ অমসুং ২১ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ২ সুসিলকুমারনা মিনট ১৯ দা অমা, জর্সি নম্বর ১ মালেমঙানবনা মিনট ৩৩ দা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ বকারনা মিনট ৩৪ দা গোল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অয়ুক্তা শান্নখিবা নুপীগী লীগ মেটচতা এসইৱাইও শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি বিষ্ণুপুর হোক্কি গোল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে।

এসইৱাইওগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এস তনুনা মিনট ২৮ দা চনখি। বিষ্ণুপুর হোক্কিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ ঙানবীতোননা মিনট ৪৪ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ২:৩০ তাবা মতমদা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি এসৱাইয়ুসি উচেক্লোন খুনৌ শান্নরগনি।

## ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল টিম ঙসি ইম্ফালদা থুংখ্রে

*মোরে, নবেম্বর ২৩ঃ*

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর অমদি য়ুম্লোন্নবা লৈবাক ম্যান্মারগী ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচতা শরুক য়ানবা ম্যান্মারগী মন্দলে রিজন অমদি সাগেং রিজনগী ফুটবোল টিম অনীগী পুন্না শান্নরোই ৫২ ঙসি মোরেদা য়ৌরকখ্রে। মোরেগী আইসিপিদা দরকার লৈবা এন্ট্রি প্রোসেস লোইরবা মতুংদা ইম্ফালগীদমক মোরে থাদোকখি।

মোরেগী ট্রেদ সেন্টরদা অচম্বা ওকপগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এসপি ডা. এস ইবোমচা, এদিস্নেল এসপি কেঐচ রোবিনসন, এসদিপিও সন্দিপ গোপাল দাস, দিএসপি থোমাস থোকচোম অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসি কমিতিগী কো–ওর্দিনেটর সিব লুৱাং অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা সিব লুৱাংনা ফোঙদোকপা হৌজিক পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগা য়ুম্লোন্নরিবা ম্যান্মারগী সাগেং রিজন অমদি মন্দলে রিজনগী ওইবা ৱুমেন্স ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অসি নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কনি।





লাক্লিবা তাং ২৫গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি সাগেং রিজনগী চীফ মিনিষ্টর ডা. মিন্ট নেং অনীনা হৌদোক্কনি হায়খি। অমদি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ম্যান্মার সাগেং দিভিজনগী মিনিষ্টর সেক্যুরিটি এন্দ বোর্দ এফিয়র্স থান টুন আউং, সোসিয়েল ৱেলফিয়র মিনিষ্টর ঝো ৱিনসু খোঙচৎ অসিদা লোইনরকপনি।

অহৌবা নুমিৎতা মণিপুর টিম ‘এ’ গা সাগেং টিমগা শান্নগনি। অদুগা নীনি চনবা নুমিৎ তাং ২৬ তা মণিপুর টিম ‘বি’ গা মন্দলে টিমগা শান্নগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল মেটচ অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না মরী ফগৎহনবদা নত্তনা নুংগী ওইবা অফবা মরী পুরক্লবগী পান্দমনি হায়খি।

মরম অদুনা অফবা মরী পুরক্ক বগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেটচশিং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না পূম্নমক্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

ঙসি ইম্ফাল তম্না চৎখিবা ম্যান্মার ফুটবোল টিমশিং অসিবু খুদেংথাবীদা লৈবা ১২এআরগী পার্সোনেলশিংনা তরাম্না ওক্তুনা অচা–অথকশিং পীজখি হায়রি।